**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26-12-2025)**

**সনাজাউবা(এল)ঃ** সংসদনা হন্দক্তা পাস তৌখিবা ভিক্সিত ভারত-গেরেন্টি ফোর রোজগার এন্দ আজিবিকা মীসন (গ্রামিন) জি রাম জি রাস্ত্রপতি-দ্রৌপতি মুরমুনা অয়াবা পীদুনা আইন ওল্লকপদা রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ সনাজাউবা লৈশেম্বনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্ননা উন্নবা অমদা এম.পিনা হায়-এম.জি-নরেগাগী মহুৎ শিংনগদৌরিবা আইন অসিনা মীয়ামদা হেন্না কান্নবা কয়ামরুম পীবা ঙম্লগনি। এম.জি. নরেগাদা হান্না নুমিৎ ১০০ নি থবক শুনবা পীরম্বদু অনৌবা আইন অসিদদি নুমিৎ ১২৫ নিদা হেনগৎলে। আইন অসিদা মরু-মরাং হুনবা, লৌ-লিংবা অমসুং লৌ লোকপা মতমদা থবক শুনবা মী মরাং কায়না ফংহন্নবা থৌরাং য়াওরি। আইন অসিগী মখাদা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং-ঈশিংগা মরী লৈনবা, লম্বী থোং, ইনফ্রাষ্টকচর অমসুং হোংলক্লিবা মহৌশাগী ফিভমশিং থেংনবা ঙমগদবা থবকশিংদা মপুং ওইবা মীৎয়েং থম্বা য়াওরি।

**য়ুপিএফ(এল)ঃ** য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ) না মনিপুরনা ঐখোয় অমুক হন্না খুন্তাক্লরোইসি হায়বা পান্দমদা লেপ্তুনা পাঙথোরক্লিবা চহি তরেৎ খুন্তাকপা নীংশিং থৌরমগী মনুং চন্না জিরিবাম জিলাগী নীংশিং খুলদা লৈবা অথৌবশিংগী খুভমদা চৎতুনা হৈ-লৈ কৎখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা য়ু.পি.এফকী এদভাইজর-এল. যাদুমণিনা হায়-চহি তরেৎ খুন্তাকপগুম্বা থৌদোক অমুক হন্না থোকহন্দনবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমীনগদবনি। কুমজা ২০০১ গী জানুৱারী ৯ দগী হৌদুনা য়ু.পি.এফনা রিকন্সোলিদেসন ডে পাঙথোক্কুনা মনিপুরগী মপানদা চোইনা খুন্দারিবা মনিপুরিশিং অমত্তা ওইনা

পুনশিন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি।

অসামগী সিলচরদা লৈবা মনিপুরি বোইস হোষ্টেলদসু খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা য়ু.পি.এফকী প্রসিদেন্ট-নোংথোম্বম রুপচন্দ্র, লুপ অসিগী অতৈ লুচিংবশিং অমদি মফম অদুগী মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**এমপিপি (এল)ঃ** মনিপুর পিপলস পার্টিগী চহি ৫৮ শুরকপা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কমিসনগী হান্নগী এক্তিং চেয়ারপার্সন-খাইদেম মণিনা হায়-এম.পি.পি. অসি মনিপুরগী লীরবা রিজনেল পার্টি অমনি। দল অসিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা লৈঙাক সাসনদা য়াওহন্নিংবগী অপাম্বসু মহাকা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা এম.পি.পিগী প্রসিদেন্ট-এস. ব্রোজেন সিংহনা হায়-লাক্কদৌরিবা ইং কুমজা ২০২৭ কী রাজ্য বিধান সভা মীখলদা দল অসিগী মীরেপ কয়ামরুম থাগৎনবা হোৎনরি।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎপীবা অমসুং অৱাৎপা মেন পৱারশিং থাবীরকপগীদমক বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল মেনেজমেন্ট কমিতিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা কমিতি অসিগী মচিন চৎপা মীশক-এন. বিলকিনা হায়-হোস্পিতাল অসিদা হান্না ফমুং ৫০ লৈরম্বা অদু ২০০ দা হেনগৎলকপা, ও.পি.দিদা পেসেন্ট ১৫০ দগী ২০০ ফাওবা ওইরম্বা অদু ৪০০ দগী ৫০০ ফাওবদা হেনগৎলকপা, দাইলাইষ্টিস সেসন ১৫০ দগী ২৫০ দা হেনগৎলকপা অমসুং নোংমদা মেজর ওপরেসন মরি-মঙাগী চাংদা তৌরকপা অসি হোস্পিতাল অসিগী ইতিহাসতা চাউনা অহোংবা পুরকপা অমনি। মসিগী মথক্তা কেস মখল ১৩৩ লেমা তৌবা য়াহনবা অমসুং হোস্পিতাল অসি পুং ২৪

চুপা মথৌ তৌহনবা অসিনা লমদম অসোমগী মীয়ামগী অনা লায়েংগী লমদা চাউনা কান্নবা কয়া পীরি।

পাউগী মীফম অদুদা বিষ্ণুপুরগী চীফ মেদিকেল ওফিসার-এল. রামচন্দ্র অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্ট-কে.ঐচ. সত্যনরায়ন শরুক য়াখি।

**বির বাল(এল)ঃ** লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মনিপুরদসু ঙসি বির বাল দিবসকী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা, জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিটকা পুন্না খুৎশমদুনা ঙসি দিপ্যুতি কম্মিস্নার ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু লাইফ ৱেব কাষ্টতিং তৌদুনা য়েংহনখি। থৌরম অদুদা মহৈরোইশিংগী লাই য়েকপা চাংদমবা, রাচনা ইবা, শৈরেং থিবা, দিবেট অমসুং শান্ন খোৎনবগী লমদা অথোই অহেন তান্নবশিং পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা জিলা অসিগী এদিসনেল দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পি. শান্তিকুমার অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিটকা পুন্না খুৎশমদুনা বির বাল দিবসকী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদু লাইফ ৱেব কাষ্টটিং তৌদুনা জিলা অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু য়েংবা ফংহনখি।

**লাই (এল)ঃ** ইম্ফালগী নাগামপানদা লৈরিবা লাইনিংথৌ ঈশিং চাইবগী লাই লম থোকফম ওইরিবা মফমদা গাড়ি খাম্ফম ওইনা থৌরাং তৌরক্লিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা মসিগী মতাংদা শেমখিবা জে.এ.সিনা শিনদুনা ঙসি ৱাকৎ মীফম

অমা পাঙথোকখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা জে.এ.সিনা রাজ্যপালদা ৱাকৎ চেরোল অমসু পীশিনখ্রে হায়রি।

**গ্যাস (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী অৱাং পোৎশংবম খুল্লেন কম্মুনিতি হোলদা ঙসি চাক থোংনবা গ্যাস কমদৌনা শিজিন্নগনি অমসুং খুদোংথিবা থোরকপদা কমদৌনা থেংনগনি হায়বগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লম অসিদা খঙ হৈরবা মীওইশিংনা তাকপী তম্বীখি।

**ক্লব (এল)ঃ** তোঙান তোঙানবা লমশিংদা মনা ফংল্লক্লবা মীওইশিংবু তরামা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি 'দা য়ুথস ক্লব' ব্রহ্মপুর ইম্ফালনা শিন্দুনা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতা, আর্ট এন্দ কলচরগী দিপ্যুতি সেক্রেটরি-অসেম রঙ্গিনা অমসুং য়ুথস ক্লব ব্রহ্মপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট-অরিবম রামা শঙ্কর শর্ম্মা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা জগোই, অরাংফম, শুমাং লীলা, ফাইন আর্টস, বিগ্যান, ঠিয়েটর, নট সংস্কৃত্তন অমসুং মনোহর সাইনচিংবা লম কয়াদা মনা ফংলকখ্রবা মীওই ৯ বু হরাও তয়ামা ওকখি।

**কম্মুনিষ্ট (এল)ঃ** কম্মুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া লিংখৎখিবগী চহি ১০০ শুরকপগী পালন থৌরম ঙসি ইরাবত ভবনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা দল অসিগী ষ্টেট কন্ট্রোল কম্মিসন, চেয়ারমেন, পার্টিগী ষ্টেট সেক্রেটরিনচিংবা শরুক য়াখি।

**অরাপতি (এল)ঃ** অরাপতি-উরুপ ফারমস এসোসিয়েসনগী তরেৎশুবা মপোক

কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মশক নাইবা মীওই কয়া শরুক য়ারি।

**পোল(এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট পৱার কম্পানি লিমিটেদ (এম.এস.পি.সি.এল) গী অয়াবা য়াওদনা গ্রেটর ইম্ফাল এরিয়াদা ইলেক্ত্রিক্ট পোলশিংদা মেদিয়া হাউস অমসুং আই.এস.টি. ফার্মশিংনা মখোয়গী কেবল ৱয়ারশিং তিংলিবা অদুগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা এম.এস.পি.সি.এলগী ওথোরিতিশিংগা অথুবা মতমদা উন্ননবা হায়রি। ৱাফম অসি এম.এস.পি.সি.এলগী চেরোল অমদা খঙহল্লকপনি।

**এৱার্দঃ** বির বাল দিবস নুমিৎকা মরী লৈননা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা লৈবাক অসিগী অঙাং ২০ দা প্রধান মন্ত্রি রাষ্ট্রিয়া বাল পুরুস্কার মনা খুৎশিন্নখ্রে।

নিউ দিল্লিগী বিগ্যান ভবনদা ঙসি পাঙথোকপা থৌরম অমদা রাষ্ট্রপতিনা, রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১৮ দগী খনগৎলবা অঙাংশিংদা মনা অদু খুৎশিন্নখি। অঙাংশিং অদুনা তোঙান তোঙানবা লমশিং-থৌনা ফবা, শান্ন-খোৎনবা অমসুং মীয়ামগী সেবনচিংবদা লৌখিবা থৌদাংশিংবু শকখঙবা ওইনা মনা অসি পীবনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা পাঙথোকপা বির বাল দিবস থৌরমদা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা রাস্ত্রিয়া বাল পুরস্কার মনা ফংলবা অঙাং ২০ গা ৱারী শান্নখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়-বির বাল দিবস নুমিৎ অসি য়ামা পুকিং নুংশিনিংঙাইগী মশকনি। মতম অদুদা শোকখিবা লানদা ১০ শুবা শ্রী গুরু গোবিন সিংহনা নাকল অমদা অমসুং অতোপ্পা নাকল অমদনা মুগল নিংথৌ ঔরঙ্গজেবনা লেপখি। মতম অদুদা গুরু গোবিন্দ সিংহগী চহি

নৌরিবা মচাশিং বাবা জোরাৱা সিংহ অমসুং বাবা ফতেহ সিংহনা থৌনাশিং ঙসিসু নীংশিংলি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা মিংচৎ ফংনবগীদমক অরং-অরাক্কী থবক্তগী লাপথোকা লৈনবা হোৎনগদবনি। অঙাংশিংনা মখোয়গী মায় পাকপা অদু মশা খক্তগী ওইনা খল্লোইদবনি। মায় পাকপা অদু লৈবাক অসিগী ওইনা মায় পাকপনি হায়না লৌগদবনি।

**ভিক্সিত ঃ** পেন্দ্রগী রুরেল দিবলপমেন্ট মন্ত্রি-শিবরা সিংহ চৌহাননা হায়রি-ভিক্সিত ভারত জি রাম জি স্কিমগী মখাদা ইং ২০৪৭ ফাওবদা ভিক্সিত ভারত ওইনবা মংলান মংফাওনহন্নবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়ামরুম পায়খৎকনি।

দি.দি.ন্যুজকা উন্নবা অমদা শ্রী চৌহাননা হায়-স্কিম অসিনা হান্না নুমিৎ ১০০ নি থবক শুবগী মতম ওইরম্বা অদু নুমিৎ ১২৫ নিদা হেনগৎলে। মন্ত্রিনা হায়-চহিগী ওইনা মীয়ামগী খুৎশুমল, খুৎশু খুৎলায় অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিব কমপোন্টকী চংগদবা অপুনবা শেনফম অসি লুপা কোতি লাখ অমা লিশিং ৫১ হেনগনি। মসিদা রাজ্যশিংগী সিয়ার য়াওরবনি।

শ্রী চৌহাননা হায়-কেন্দ্রগী শরুকনা লুপা কোতি লিশিং ৯৫ নি।

**অমিত ঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা কাউন্টর টেরোরিজমগী মীফম হৌদোকখ্রে। নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ) না শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা গৃহ মন্ত্রিনা এন.আই.এগী মীওই ৯ দা সেৱা পদক অমসুং ভিরতা পদক খুৎশিন্নখি।

মনা অসি মখোয়না কাউন্টর টেরোরিজমগী থবক থৌরমদা শিংথানিংঙাই ওইনা মথৌ পাঙথোকপগীদমক পীবনি। থৌরম অদুদা মন্ত্রিনা এন.আই.এগী অপটেদ তৌরবা ক্রাইম মেন্যুয়েল, ওর্গনাইজাই ক্রাইম নেটৱার্ককী দাটা বেজ অমসুং মাংখিবা অমদি অমুক হন্না লৌখৎখিবা খুৎশু খুৎলায়শিংগী দাটা বেজ

হাংদোকখি। গৃহ মন্িনা হায়-টেরর হায়বসি মীওইবা জাতিগী খ্বাইদগী চাউনা য়েকবনি অমদি মসিবু অমত্তা ওইনা পুন্না থেংনমীন্নবা চংই। মহাকা হায়-নরেন্দ্র মোদি সরকারনা লৈবাক অসিদা টেরোরিষ্টকী থবক থৌরমশিং নীংথিনা মায়োক রি। গৃহ মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিগী ৱাখল্লোনগী মেছিননি হায়নরিবা মীফম অসিনা এজেন্সি অসিগী থবক থৌরমশিং হেন্না নীংথিনা ফজনা পাঙথোক্তুনা টেরোরিষ্ট লোয়শিন্নবা হোৎনবগী অচৌবা মীফম অমনি।

**এক্সিদেন্ট ঃ** অন্ধ্র প্রদেসতা ঙসি অয়ুক অঙনবদা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অনিদা মীওই তরেৎ শিরে, মীওই মঙানা শোক্লে।

গুন্টুর জিলাদা থোকখিবা থৌদোক অমদা কার অমনা লন্নাই বস অমদা থেংনজিন্নবদা মীওই অহুম শিখি, অহুমনা অশোক অপন নংখি। থৌদোক অদু কার অদুনা লম্বীগী নাকলদা খামদুনা লৈরিঙৈদা বস অদুনা মনিংদগী থোমজিল্লকখিবনি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা ননদিয়াল জিলাদা কন্না থৌরকপা কার অমনা মায়োকবা লম্বীদগী লাকপা বস অমদা থোমজিনবদা মীওই মরি শিখি।

অমরোমদা, করনাতক্কী চিত্রা দুর্গাদা থোকখিবা বস মৈ চাকপগী থৌদোক অমদা মীওই তরেৎ শিরে। থৌদোক অদুদা মীওই তরুক হিংনা মৈ চাকখি অমসুং ২১ না অশোক অপন নংখি।

**ক্রিকেটঃ** মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ২২ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা চেম্প-খাগেমপলিনা এস.য়ু.এস.ভি.সি. শগোলবক দবু ৱিকেট অনিদা থোহৈখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ গা ঙসি

থৌবালগী মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. পাৎশোইনা ওস্কার-পাউনা বজারবু ৱিকেট অহুমদা থোইখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** ৫ শুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ গী ঙসি মোদেল হয়ার সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাডন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-অল আমিন লিলোংনা ডব্লিয়ু.ৱাই.সি. থৌবাল ৱাংখেমবু ৱিকেট মঙাদা থোইখ্রে।

লমশাংগী খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা-পি.টি.সি.সি. পাৎশোই পার্ট থ্রিনা সি.দি.সি.সি. শগোলবন্দ সলাম লৈকাইবু রন-অহুমদা থোইখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** রাঞ্চিগী জে.এস.সি.এ. ইন্টর নেসনেল ষ্টেদিয়ম কমপ্লেক্সতা চথরিবা বিজয় হজারি ত্রোপি প্লেট টূর্নামেন্টকী মেটচ অমদা বিহারনা মনিপুরবু রন-১৫ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** মনিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী থৌমীশিং খন্ননবা মীখল মথং চহিগী জানুৱারী ২১ দা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।